ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ
SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM
www.sanaleibak.in
সনালৈবাক
চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী সবসিদিয়ারি য়ুনিট অমা ওইরিবা স্মার্ট মেডিকোসনা স্পোন্সর তৌদুনা ক্বাথা খুলদা পাঙথোকপা নুমিৎ নীনিগী ওইবা মেডিকেল কেম্পগী শক্তম অমা

ককচিং লমখাইদা লৈবা লন্নাই হোস্পিটাল অমা ওইরিবা জিভন হোস্পিটালগী ইমর্জেন্সি, ট্রোমা কেয়র য়ুনিট,এ এল এস এম্বুলেন্স অহুম অমদি ওদিটোরিয়ম চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা শঙ্গাবগী থৌরম

লোক সভাদা পাস তৌখিবা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ রাজ্য সভাদা পাস তৌবা য়ারোই হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা খোঙমন ওক্রম চুথেক্তা লৈবা কৈথেল শঙদা ফমখিবা ৱাকৎ মীফমগী শক্তম অমা

Volume No: 43 Issue: 74 | IMPHAL SUNDAY 10 FEBRUARY, 2019 | নোংমাইজিং, ফাইরেনগী ৫নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60

সি এ বিনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা অকায়বা পীরোইঃ নরেন্দ্র মোদি

নাগালেন্দ শীনবা থুংনা হয়েং পুং ১২গী বন্দ কৌখ্রে

পি এমগী খোঙচৎ য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীওই ৬না ফি থোঙদবা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৯(এস এন এস)ঃ সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল,২০১৬না অসাম অমসুং লৈবাক অসিগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মীয়ামগী অনিংবা অমদি অপাম্বদা অকায়বা অমত্তা পীরোই হায়না চঙসারিদা ঙসি পাঙথোকপা মীখলগা মরী লৈনবা পব্লিক রেল্লিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়,সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিলনা অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংগী মীয়ামদা অকায়বা অমত্তা পীরোই হায়বসি নেস্নেল কমিটমেন্টনি অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টগী রিকম্মেন্দেসন অমসুং থিজিল্লবা মতুংদতা সিটিজেনসিপ পীগদবনি। লৈবাক অসিদা নমফুদা চংলকখিবশিং অমসুং লাইবক থীবা থৌদোকশিংনা মরম ওইদুনা থৱাই হিংনবা ময়ুম মকে নমফুদা থাদোক্লখিবশিংগী মরক্তা লৈবা খেন্নবদু খঙমিন্নগদবনি। নমফুদা চঙলকপা অমসুং নমফুদা ময়ুম থাদোক্লম্বা অনী অসি চপ মান্নদে।

য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা মাইনোরিটিশিংদা মীওৎ মীনৈ চত্থবনা ময়ুম মকে পুন্নমক থাদোক্লম্লবশিংদা চংজফম পীনবা হোৎনবনি। মখোনা ইমা লৈবাক নুংশিবনা লৈবাকসিদা লাকপনি। লৈবাক অসি থুগায়নিংবা মীওইশিংনা লেজিসলেসনগী মতাংদা অরানবা ৱাফম চহী কয়াগী মমাংদগী শন্দোক্তুনা লাক্লিবশিংনা মখোয়গী অনিংবা অপাম্বশিংগীদমক বিলগী মতাংদা অরানবা ৱাফম শন্দোক্লি।

বি জে পিনা চহী ৩৬শুরবা অসাম একোর্দ চৎনহনগনি । একোর্দ অসি ক্লোস ৬ থবক্তা ওন্থোক্লবা কম্মিটি অমা শেমখ্রে। বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণনেন্টনা অসাম অমসুং অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংগী লোল, চৎনবী, রিছোর্স,অনিংবা অমসুং অপাম্বা ঙাক শেন্দুনা থমগনি। বি জে পি গভর্ণমেন্টনা অসামবু লৈবাকসিগী ওইল অমসুং গ্যাসকি হব ওইহনগনি। গভর্ণমেন্ট অসিনা লুপা ক্রোর ১৪,০০০গী প্রোজেক্টশিং হৌখিবা চহী ৪দা পায়খৎবা ঙমখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, অসামগী চাংসারিদা পাঙথোকপা পব্লিক রেল্লিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামদা ৱা-ঙাংলিঙৈ চৈরক্তা কৃষক মুক্তি সংগ্রাম সমিটি (কে এম এস সি)গী থৌমীশিংনা সিটিজেনসিনপ এমেন্দমেন্ট বিল য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা দিসপুরদা লৈবা অসাম সেক্রেটেরিয়েট মমাঙদা ফি-থোঙদবগী খোজং চখখ্রে।

কে এম এস এসকি থৌমী ৬না আসামগী সেক্রেটরীয়েট মমাঙদা লৈবা সি এস রোদতা ফি থোঙদবা প্রোটেষ্ট তৌখি। মনাক নকপদা লৈরম্বা পুলিস পার্সোনেলশিং নহা ৬ অদুগী প্রোটেষ্ট থিংবগা লোয়ননা হান্না থৌরাং তৌদুনা থম্বা ফি *মখা লমায় ৩দা...*

কৈথেল ফম্বী নুপীশিং ফেব্রুৱারি ১২ ফাওবা শিন্থা লেপ্পবা ৱারেপ লৌখ্রে

কৈথেল ফম্বী নুপী ১,০০০ হেনবনা লম্বীদা অহিং য়ারেক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৯(এস এন এস)ঃ লোক সভাদা পাস তৌখিবা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬গী মায়োক্তা মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী লূপ ৭২ পুল্লগা শেমখিবা মণিপুর পীপলস এগেনষ্ট সি এ বি (মেনপেক)গী কোর কম্মিটিগী লমজিং মখাদা কৈথেল ফম্বী নুপী লিশিং অমা হেনবনা ঙসি নুমিদাংদগী লম্বী থৎচিন্দুনা অহিং য়ারেক্লগা প্রোটেষ্ট তৌবা হৌখ্রে।

সি এ বিলগী মায়োক্তা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজ নাঠকী মিতম মৈ থাখ্রে। কৈথেল ফম্বী নুপীশিংনা থা অসিগী ১২ ফাওবা শিন্থা লেপ্তুনা খোঙজং চঙশিন্নবা ৱারেপ্নখ্রে।

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অহুম, টেম্পররি মার্কেট অমসুং ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা শিন্থা লেপ্তুনা ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা খ্বায়রম্বন্দ কৈথেলদা ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং চত্থখি। খোঙজং অদুদা মেনপেককী কনভেন্নরশিং অমসুং কৈথেলগী লুচিংবীশিংনা ৱা ঙাংখি।

খোঙজং অদুগা মরী লৈননা নুপী কৈথেল শিনফম অমদি শক্তম কনবা লূপকী সেক্রেটরী থিঙুজম ওংবী রানিনা হায়, হৌখিবা জনুৱারি ৮দা লোক সভাদা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ অসি পাস তৌখিবদগী মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্না অকনবা খোঙজং কয়া চংশিন্দুনা লাক্লি। বিল অসি চৎনরকপা তারবদি অৱাং নোংপোক্তা খুন্দারিবা মীশিং য়ামজদবা অপিকপা য়েলহৌ ফুরুপশিং অসি মুৎখ্রগনি হায়বগী অকিবা অদু মীয়ামদা লৈনরি।

অসিগুম্বা ফিভম অসিদা ষ্টেটসিদা লৈঙাক পায়রিবশিংনা বিল অসিনা মণিপুরদা করিমত্তা শোক্লোই হায়রগা লৈরি অমদি বিল অসিগী মায়োক্তা ইহৌ হৌরিবা মীয়াম্বু ইরাং শাগৎপা ওইনা উহল্লি। রুলিং অমসুং ওপোজিসন খায়দনা মীয়ামগী অপাম্বা অদু থবক্তা ওন্থোকপিয়ু। লোয়ননা ষ্টেটসিগী লৈঙাক পায়রিবশিংনা করিগুম্বা সি এ বি অসি পাস তৌবা তারবসু মণিপুরদা শোকহল্লোই হায়বগী চপ-চাবা থাজবা অমা অইবা ওইনা পিয়ু। মদু ওইরগদি ইংনা-চিক্লা লৈজগে। মদু নত্তবা তারবদি বিল অসি ৱিদ্রো তৌদ্রিফাওবা মীয়ামগা লোয়ননা হনবা লৈতনা অকনবা খোঙজং চঙশিনখিগনি। মসি খঙনা লৈঙাক্ল মীয়ামগী অপাম্বগী মতুং ইন্না থবক তৌবিয়ু মদু নত্তবা তারবদি অকনবা ইহৌ অমা লাক্কনি হায়বসি লৈঙাক্ল খঙজিনবিয়ু হায়না রানিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কৈথেলগী ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং অদু লোয়শিল্লকপদা মণিপুর কৈথেল ফম্বী অপুনবা লূপকী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম মেম্মনা হায়, থা অসিগী ১২দা ইনিদয়াগা গভর্ণমেন্টনা সি এ বি অসি রাজ্য সভাদা পাস তৌগদৌরে হায়বসি মীয়ামদা থাজবা লৈরে। মরম অদুনা তুগী হৌরক্লদৌরিবা ইচা-ইশুশিংগীদমক খল্লগা বিল অসি পাস তৌহনদনবা চংশিনবা খোঙজং ওইনা কৈথেল ফম্বী ইমা ইবেলশিংনা থা অসিগী ১২ ফাওবা শিন্থা লেপ্পগী ফিরেপ অদু লৌরে।

নোংমগী চরা তাল্লবসু নুমিৎ হুমনি মরিনি অসিদি ইচা-ইশুশিংগা খল্লগা চরা হেন্দোক্লগা চপ-চবা ফিরেপ লৌরসি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবদি খ্বায়রম্বন্দ কৈথেলগী দুকান হাংবা য়ারোই অমদি *মখা লমায় ৩দা...*

সি এ বিলগী মায়োক্তা ফমখিবা মীয়ামগী মীফম্না ফেব্রুৱারি ১১দগী পুং ৩৬ শিন্থা লেপ্পগী ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারি ৯ (এস এন এস)ঃ লোক সভাদা হন্দক্তা পাস তৌখিবা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্টবিল ২০১৬গী মায়োক্তা পিপলস এলায়েন্স মণিপুর পামনা শিল্লগা মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্তুনা থা অসিগী ১১গী অয়ুক পুং ৫দগী মথং নুমীৎ ১২গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা শিন্থা লেপ্তুনা খোঙজং চঙশিনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপশিং লৌখ্রে।

মীয়ামগী মীফম অদু মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লূপ ১৩১না পুশিন্দুনা শেমখিবা পিপলস এলায়েন্স মণিপুর (পামনা) শিল্লগা ঙসি অয়ুক পুং ১১দগী হৌদুনা জি এম হোলদা পাঙথোকখি। মীফম অদুনা ৱারেপ মরি লৌরে হায়রি। ৱারেপশিং অদুদি ১) লাক্লিবা থা অসিগী ১১গী অয়ুক পুং ৫গী মথং নুমিৎ জনুৱারি ১২গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা (পুং ৩৬)মীয়াম্না শিন্থা লেপ্তুনা অমত্তা ওইনা মণিপুর পুম্বদা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬গী মায়োক্তা খোঙজং চংশিনমিন্নবা, হায়রিবা অপুনবগী খোঙজং অসিদা মরু ওইবা মৈ, ঈশিং, অনা লায়েং অমসুং লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনবশিং কোমথোকপা। ২) লাক্লিবা থা অসিগী ১৩দা মণিপুরগী মফম ৫০ হেনবদা বিল অসিগী মায়োক্তা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিনবা । লোয়ননা ঙসিদগী হৌরগা মখা তানা মখল মখা কয়াগী দেমোক্রেটিক ওইবা কোঙজং চংশিনবা। ৩) নোর্থ-ইষ্টতা সি এ বিগী মায়োক্তা ইহৌ হৌরিবা মীওইশিং অমসুং ইন্দিজিনস কম্যুনিটি খুদিংমক্কা খুৎশম্নরগা মখা তানা মুভমেন্ট তৌমিন্নবা অমসুং মণিপুরগী ওইনা সি এ বিগী মায়োক্তা মুভমেন্ট তৌরিবা খুদিংমকসু মুভমেন্ট অসিগীদমক কো-ওর্দিনেসন থম্মিন্নদুনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসি মাইপাক্লবা হোৎনবা। ৪)মণিপুর মীয়াম্না বিল অসিগী মায়োক্তা চংশিল্লিবা খোঙজং অসি তুংওইনরম্লগা ইনিদয়াগী পার্লিয়ামেন্টদা বিল অসি পাস তৌখিবা থোক্লবদি লাক্লিবা ফেব্রুৱারিগী ২০দা মীওই লাক্ষ অনি হেননা তিনদুনা মীফম অমা ফম্লগা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ৱারেপকি মায়োক্তা চপ-চাবা পাউখুম অমা পিবা। হায়রিবা মীফম অসিদা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর অনিগী মরক্তা লৈনরিবা ফেদরেল রিলেসন অসি অমুক হন্না খন্না নৈনদুনা চপ-চাবা ৱারেপ লৌবা। মীফম অদুনা লৌবা ৱারেপ অদু য়ু এন ও অমদি মেম্বর কন্ত্রিশিং য়াওনা মালেমগী লৈবাকশিংদা খঙহনবা হায়বসিনি।

ঙসিগী পিপল কনভেনসন অদুদা মুতাগী জেনরেল সেক্রেটরি প্রোফেসার লিসম সঞ্জুকুমার, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার *মখা লমায় ৩দা...*

নোংমৈ মাংবগী কেসতা য়ামথোঙ হাওকিপকী লুপা লাক্ষ ৭৬.৬০গী লন থুমশিং হাপচিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৯(এস এন এস)ঃ অনীশুবা মণিপুর রাইফলস (এম আর)গী আর্ম কোটতা লৈবা দি জি পুলগী নাইন এম এমগী পিষ্টোল ৫৬ অমসুং মেগজিন ৫৮ মাঙখিবগী কেসকা মরী লৈননা নেস্নেল ইনভেষ্টিগেটিং এজেনসি (এন আই এ)না ফাখিবা এম এল এ য়ামথোঙ হাউকিপকি লুপা লাক্ষ ৭৬.৬গী মমল ওইগদবা লম থুমসু লৈ হায়না খূৎলায় মাঙখিবগী কেস অসিদা হাপচিনখ্রে।

সাইকুল এসেমব্লি কন্সটি-ট্যুয়েন্সিদগী মীখল মায় পাক্লকখিবা য়ামথোং হাউকিপকি লল থুমনি হায়রিবশিং অদুদি লুপা লাক্ষ ২৩রোমগী মমল ওইগদবা একর ০.৫৮৬ চাউবা ফৌরেল লৌফম, লুপা লাক্ষ ৬.২ রোমগী মমল ওইগদবা একর ০.১৬ চাউবা ফৌরেল লৌফম, লুপা লাক্ষ ২৪.৪গী মমল ওইগদবা একর ০.৬৩ চাউবা ফৌরেল লৌফম অমসুং লুপা লাক্ষ ২৩ রোমগী মমল ওইগদবা একর ০.৫৮৬ চাউবা ফৌরেল লৌফমনি। লৌফমশিং অসি ইম্ফাল-ইষ্ট দিষ্ট্রিককি মনুং চনবা কোছা অহল্লুপতা লৈবনি হায়রি।

ইম্ফালদা লৈবা ২শুবা এম আরগী আর্ম কোটতগী হৌখিবা চহী ২০১৪দগী ২০১৮ ফাওবগী মনুংদা পিষ্টোল অমদি নোংমৈ মরু মাঙখিবগী মতাংদা থিগৎনবা মণিপুর লৈঙাক্লা সি বি আইদা শিন্নখি। এন আই এনা থিজিনবা অদুদা আর্ম কোটতগী নাইন এম এমগী ওটো পিষ্টোল ৫৬ অমসুং মেগজিন ৫৮ মাঙখ্রে হায়বা খঙলকখি। ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সি অসিনা মখা তানা থিজিনবদা কেস অসিগা মরী লৈননা ২শুবা এম আরগী এমপ্লোয়ি ২ ফাখি।

হৌখিবা চহী ২০১৬দা মীওই ৪ অমসুং নাইন এম এম ওটো পিষ্টোল অমদি মেগজিন ৩গা লোয়ননা ফাখি। মণিপুর লৈঙাক্লসু আই পি এস ওফিসার অমা য়াওনা পুলিসকী মকোক থোঙবা ওফিসার ৪ *মখা লমায় ৩দা...*

গাড়ী মচা লৈবীবনা মহৈরোইশিংগী লমচৎতা চৈথেং পী : এল মহেন্দ্র

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারি ৯ (এস এন এস)ঃ মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)না লাইরিক -লাইশুগী কাঙলোন্দা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ১৩শুবা *ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা অমসি* হায়বা কুমওন থৌরম ঙসি ঘড়ীদা লৈবা ঐচ আর ডি একাডেমিদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক্কী পুং ১১.৩০ তাবদগী হৌখিবা থৌরমদুদা কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এডুকেসন, মণিপুরগী চিয়ারমেন লামাবম মহেন্দ্র সিংহনা চীফ গেষ্ট অমদি এম এস এফগী প্রসিদেন্ট ঙারিয়ানবম মিলন না প্রসিদেন্ট ওইখিবগা লোয়ননা রির্ছাস দিভলপমেন্ট ওফিসার এডুকেসন (এস) ইবেচৌবী লাইশ্রম,জেদ ঈ ও পাৎশোই এল ইবোতোম্বী অমসুং ঐচ আর দি একাডেমিগী প্রিন্সিপাল এল কমখ্যকুমারনা গেষ্ট ওফ ওন্নরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কাউন্সিলগী চিয়ারমেন এল মহেন্দ্রনা মখা তারদুনা হায়, মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংগী নীংঙাইদা নুংশিরিবনি হায়দুনা গাড়ী মচা অমদি ফোননচিংবা লৈবীবা অসিনা মহৈরোইশিংগী কেরিয়রদা অচৌবা চৈথেং পীহনবতা নত্তনা মমা-মপাশিংগী নীংবা কাইহনবা মচাক ওইহল্লি। মহৈরোইশিংনা মহৈ-মশিংগী লমদা হেন্না সেল্ফ কনফিদেসন লৈহন্নবা *মখা লমায় ৩দা...*

এম পি এগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৯ঃ য়ু এন এল এফকী লান্মী শঙলূপ মণিপুর পীপলস আর্মি (এম পি এ)গী ৩২শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি লান্মী শঙলূপ অসিগী জেনরেল হেদ ক্বার্টর (জি ঐচ ক্যু),য়ু এন এল এফকী সেন্ট্রেল হেদ ক্বার্টর (সি ঐচ ক্যু), এম পি এগী বট্টালিয়নশিং, টেক্টিকেল হেদ ক্বার্টর অমদি অতৈ য়ুনিটশিংদা মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়না লূপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

লোনা য়াদে হায়না লাউখ্রবা লূপ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী দাইরেক্টর এম শক-হেননা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়,এম পি এগী জি ঐচ ক্যুদা পাঙথোকপা থৌরমদা চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ (সি ও এ এস)না থৌরম মপু অমদি য়ু এন এল এফকী পোলিটিকেল একাডেমিগী প্রিন্সিপলনা দাইজতা লেংশিন্দুনা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জি ঐচ ক্যুগী জেনরেল ষ্টাফ ওফিসারশিং অমদি অতৈ লান্মী পুন্নমক শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি। সি ঐচ ক্যুদা পাঙথোকপা থৌরমদা এম এ সিগী চিয়ারমেনসু ওইরিবা সেন্ট্রেল কম্মিটিগী চিয়ারমেনা থৌরম মপু ওইদুনা সেন্ট্রেল কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরী য়াওনা য়ু এন এল এফকী তোঙান-তোঙানবা লোইশঙগী সেক্রেটরীশিং *মখা লমায় ৩দা...*

সি এ বিল পাস তৌরবদি এন দি এগা মরী তৎনরগনি : এন পি পি

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারি ৯ (এস এন এস)ঃ ৱাথোক ওইরবা সিটিজেনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল,২০১৬ অসি করিগুম্বা রাজ্য সভাদা পুথোক্তুনা পাস তৌরবদি নেসনেল পিপল পার্টিনা নেসনেল দেমোক্রেটিক এলায়েন্সকা মরী তৎননবা ঙসি শিল্লোংগী পাইনবুদ হোটেলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা পার্টি অসিগী নেসনেল জেনরেল বোডিগী মীফমনা ৱারেপ লৌখ্রে।

ঙসি পার্টি অসিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট অমসুং মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা ময়ায় তাঙবল লৌদুনা পাঙথোকপা এন পি পিগী নেসনেল জেনরেল বোদি মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা সি এ বিল অসিগী মায়োক্তা পার্টিনা লেপ্পবা অমসুং বিল অসি রাজ্য সভাদা পুথোরক্তনবা ঙসিগী মীফমগী ৱারেপকা লোয়ননা ইনিদয়া লৈঙাক্তা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা তকশিনবা অমসুং অনিশুবদা করিগুম্বা বিল অসি নমদুনা পাস তৌখিবা তারবদি এন পি পিনা এন দি এগা লৈনরিবা মরি অসি তৎননবা ৱারেপসু ঙসিগী মীফম অদুদা লৌখি।

ঙসিগী মীফম অদুদা সিটি জেনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল, ২০১৬ গী মতাংদা কুপ্না খন্নবগা লোয়ননা বিল অসি পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাউসতা পাস তৌবা তারবদি এন দি এগা এন পি পিগগী মরক্তা লৈনরিবা মরি অসি তৎননবা *মখা লমায় ৩দা...*

ৱাখলগী চিঙ্গাক

মালেমসিদা শুকহোং হোংদবা অমা হায়বা তারবদি অহোংবা হায়বসিনি

GOLD PRICE 10G/24K

DELHI : RUPEES 34,430.00 /-
KOLKATA: RUPEES 34,350.00 /-
BENGALURU: RUPEES 34,460.00 /-

অঈং-অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ২৫.৫° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ৪.৩° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০০
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং- ৫.৫৪
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং-৫.০৭

পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা - লুপা ৬৬.৫৫
ডিজল লিটরদা - লুপা ৬১.৬৫

SAMSUNG লুহোং-মচল
WATER PURIFIER EUREKA FORBES
SAMSUNG 32' LED
SAMSUNG REFRIG 3 STAR 190 LT.
INTEX 8 / 7.5 KG WASHER
₹ 40,999/-
FREE ₹4999
SAMSUNG 43' LED
SAMSUNG REFRIG 3 STAR 190 LT.
SAMSUNG 7.2/6.5 KG WASHER
₹ 53,999/-
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.
CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTTL.
SARAJEEVAN ENT, PAONA BZ, IMP.

SUNDAY SPL. (9 am TO 5 pm)
WASHING MACHINE
6.2 KG = ₹ 7800
MSV72CL = ₹ 8999
7.5 KG = ₹ 9600
8KG = ₹ 10300
7KG GODREJ = ₹ 11000
8.5KG GODREJ = ₹ 13200
REFRIGERATOR
180 LT INTEX = ₹ 9999
185 L GODREJ ₹.13400 = ₹ 11000
190 LT 3 STAR Godz = ₹ 12800
INTEX LED (3 YRS WARRANTY)
24' LED (TV) = ₹ 9300
32' LED (TV) = ₹ 12500
40' LED = ₹ 19999
50' LED SMART = ₹ 37500
55' SMART LED 4K = ₹ 45000
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.

গ্যাসকী পাউ লাঃ ৬ তা

লোইরেদনা

ঈরাংগী ফিভমদুবু করম তৌরি!
ꯏꯔꯥꯡꯒꯤ ꯐꯤꯚꯝꯗꯨꯕꯨ ꯀꯔꯝ ꯇꯧꯔꯤ!



সার, ইম্ফাল ৱেষ্টকী অয়াম্বা লোইরে,ইষ্টতা অমুক তারনি!
ꯁꯔ, ꯏꯝꯐꯥꯜ ꯋꯦꯁ꯭ꯇꯀꯤ ꯑꯌꯥꯝꯕ ꯂꯣꯏꯔꯦ, ꯏꯁ꯭ꯇꯇꯥ ꯑꯃꯨꯛ ꯇꯥꯔꯅꯤ!

হেক্তা হায়জিনবা

লুহোং পাম্বা

লুহোং পাম্বা লাকপদা
লাকই বার্ত্তন মপৈ মপৈ
হৌদুনা লাকই মপৈ মপৈ
নোংমদা ফাংনৈ পুলপ পুলপ
লম্বী লমখাঙ পুমথল থল্লি
লুহোং পাম্বা লাকপদা
কোইচেন চেন্নৈ পোৎয়েং থিবা
কোইপু পুন্নৈ পোৎপাং পীনবা
কোইলাক লাকলুই গাড়ী পাংনবা
লুহোং পাম্বা লাকপদা
ক্য লেপ্পী শাংনা-শাংনা
শেল চাইনবা শোন্নবুংদা
মমাই তানবা ভাবক
খাকপা লৈনদে ঈজ্জৎ তান্নবদা
লুহোং পাম্বা লাকপদা
ঙাওনৈ ফৈনৈ নুমিদাংদা
পৈদুনা থম্নৈ মহি-মনাই
ঙৌদুনা থম্নৈ ষণশা-ওকশা
পেন্না থক্লে পেন্না চানৈ
লাওনৈ খোংনৈ ফুনৈ
লুহোং পাম্বা লাকপদা

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯀꯦꯕ ꯁꯔꯚꯤꯁꯦꯁ
অদোমবু মফম অমদগী মফম অমদা নুঙাইনা, লাইনা অমদি অত্তেনবা মতমদা য়ৌহনবা ঙম্বা
Manipur Cab Services
হৌজিক মনিপুরগী মীয়ামদা খুদোংচাবা পিবা হৌজরে...
খুদোংচাবা অসি লৌবিনবা Telephone গী খুৎথাংদা মখাদা পীজরিবা number অসিদা call তৌবিয়ু নত্তগা অদোমগী Smartphone দা ঐখোয়গী Android app "Manipur Cab" playstore দগী download তৌবিরগা অদোমগী অপাম্বা গাড়ী তোংদুনা চৎপিয়ু
₹ 15 per Km. Normal
₹ 25 per Km. Standard
Picnic, লুহোংবগী অমদি অতৈ থৌরমশিংগী ওইনা অখন্নবা শেমজনা package লৈরি
Toll Free Number
1800-345-3838
GET IT ON Google Play
অদোমবু তেঙবা কায়দনা অমদি মতম চানা য়ৌহনবনা ঐখোয়গী পাম্বমনি
ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯀꯦꯕ ꯁꯔꯚꯤꯁꯦꯁ
Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal
Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.
SL / B / 30 days



PRADHAN MANTRI SAHAJ BIJLI HAR GHAR YOJANA
Ministry of Power Government of India
SAUBHAGYA
Saubhagya
Roshan Hoga Har Ghar
Gaon Ho Ya Saher
The target for electrification of willing and eligible un-electrified households under the SAUBHAGYA in Manipur has been successfully achieved as per the data of REC portal on 20th Dec'18. If any such household is left out, please contact concerned MSPDCL, Division or Sub-Division office on or before 31st March, 2019, for free eletricity connection by MSPDCL
http://saubhagya.gov.in/
MSPDCL, Manipur
SL / B / 10 days